ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯳, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, সেপ্টেম্বর ২৩, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১৭৪শুবা মশীং

# ৱর্ল্ড রিভরস দেগী থৌরম

### মণিপুরদসু থৌরমসি পাঙথোক্তুনা তুরেলশিং লূ-নালহনবগী তঙাইফদবা

সেপ্টেম্বর থাগী মরিশুবা নোংমাইজিংদা ৱর্ল্ড রিভরস দেগী তৌরম পাঙথোক্লরি। হন্দক চহীগী ওইনসু সেপ্টেম্বর ২২দা থৌরম অসি মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পাঙথোক্লরি। মালেমগী মফম অয়াম্বদা তুরেলশিংগী ফীভম শোকচিল্লকপগা লোয়ননা তুরেলগী ঈশিং মোৎশিল্লকপদগী চাউখৎলবা লৈবাক অয়াম্বদা মীওই কয়ানা থৌরম অসিদা পূক্নিং চঙনরক্লি। কুমজা ২০০৫ দা ইহান হান্না পাঙথোকখিবা থৌরম অসিগী মতাংদা মমিং লৈরবা রিভর কঞ্জর্ভেশনিষ্ট অমসুং ৱর্ল্ড রিভরস দেগী ফাউন্দর মার্ক এঞ্জেলোনা হায়খি, "তুরেলশিংনা প্লানেট অসিগী ঈ উতোংশিংনি। য়াম্না শেংনা হায়রবদা মীওইবগী য়াম্না মরু ওইবা লাইফলাইননি। কুমজা ২০০৫দা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা "ৱাটর ফোর লাইফ দিকেদ" লোঞ্চ তৌদুনা মীপূম খূদিংমক ৱাটর রিসোর্সেসকী মরমদা ৱাখল তাহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। চহী অদুদা পাঙথোকখিবা থৌরম চাউনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা মতুং তারকপা চহীশিংদসু মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়াদা "ৱর্ল্ড রিভরস দে"গী থৌরম পাঙথোক্লরকখি। মমাঙ চহীদসু মালেমগী লৈবাক ৬০দা মীওই মিলিয়ন কয়ানা শরুক য়াদুনা থৌরম অসি পাঙথোকখিবগা লোয়ননা তুরেলগী ফীভম ফনা থম্বগী তঙাইফদবা মরমশিং মুন্না খঙমিন্নখি। হন্দক চহীগী ওইনসু "দ্রিঙ্কেবল রিভরস" কৌবা লূপ অমনা শীন্দুনা এভোন তুরেলগী তোর্ব্বানদা মখল মথেলগী থৌরম কয়াগা লোয়ননা "ৱর্ল্ড রিভরস দে"গী থৌরম পাঙথোক্লি। "দ্রিঙ্কেবল রিভরস"কী ফাউন্দর মাইকেল মেয়েলনা ন্যু জিলেন্দদা লৈরিবা তুরেল খূদিংমক্কী ঈশিং মীওইবনা থকপা য়াহন্নবগী পান্দমদা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাকখি। মাইল লিশিং-লিশিং শাংবা খোঙচৎ খূদিংমক শুপ্নগী খোঙকাপ অমখক্লা হৌখি হায়নবগুম মাইকেল মায়েলগী টিমনা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা শুপ্নগী মিটর ১১০ শাংবা এভোন তুরেলগী শরুক লূ-নালহন্দুনা থকপা য়াবা ঈশিং ওইহন্নবা হোৎনরি। অহানবা তাঙ্কক্তা শুপ্নগী মিটর ১১০ শাংবা তুরেলগী শরুক লূ-নালহল্লবা মতুংদা কিলোমিটর ১৪ শাংবা তুরেলগী মরিল তেংথোক্তুনা চহী ৭কী মনুংদা মালেমগী মীয়ামদা মরু ওইবা খূদম অমা ওইনা উৎকদৌরি।

লাইবক থীবদি ইন্দিয়াগী তুরেল অয়াম্বা ফীভম শোকচিল্লকপগা লোয়ননা মণিপুরগীসু তুরেল পূম্নমক তপ্না-তপ্না ফীভম শোকচিল্লক্লি। মণিপুরগী মরু ওইবা তুরেল খরনা মীওই কয়াগী হিংনবগী লম্বী পীবগা লোয়ননা ইলেক্ট্রিসিটি পুথোক্তুনা মৈ ঙালহল্লিবনি। লোক্তাক পাৎ তম্না চেল্লিবা বরাক তুরেল অমসুং ইম্ফাল তুরেলদা জপানগী লান্মীশিংনা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতমদা হি তোংদুনা লাক্লগা ইম্ফাল য়ৌরকখিবনি। ইম্ফাল তুরেল, ইরিল তুরেল, থৌবাল তুরেল অমদি খুগা তুরেলনচিংবা কয়াসু মণিপুরগী মরু ওইবা তুরেলশিংনি। ইরিল তুরেলদদি লমদম অসিগী য়েলহৌ-ঙা ওইরিবা ঙাতোন অমসুং মৈতৈ সরেং মরাং কায়না ফংলল্লিবনি। লোক্তাক পাৎ তম্না চেন্থরিবা তুরেলশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইবনি হায়না লৌনরিবা নম্বুল তুরেলগী ফীভম নোংমা-নোংমগী শোকচিল্লকপা মরম্না হৌখিবা মার্চ ৯দা লৈঙাক্লা নম্বুল তুরেল কন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎখি। য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী মখাদা নেসনল রিভর কঞ্জর্ভেসন প্লান (এন আর সী পি)গী শরুক অমা ওইনা নম্বুল তুরেলগী ফীভম ফগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটারিয়েটতা মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং অমসুং ওফিসলশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা প্রোজেক্ট হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, লমদম অসিগী চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা লোক্তাক পাৎ কন্নবগী পান্দমদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লগা নম্বুল তুরেলগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবনি। মণিপুরগী অতৈ অতোপ্পা তুরেল নিপাল কন্নবগী মতাংদসু সেন্টরদা প্রপোজেল থাখ্রে হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। কাংচুপ চীংদগী চেন্থরক্লগা লোক্তাক পাৎতা তারিবা নম্বুল তুরেলবু মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী মোৎপা অমসুং ফীভম শোক্লবা তুরেলনি হায়না সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ (সী পি সী বি)না লাউথোকপা লৈখ্রে। মুভিং বেদ বাইও রিয়েক্টর (এম বি বি আর) হায়না খঙনবা খ্বাইদগী নৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্নরগা নম্বুল তুরেল লূ-নালহনবগা লোয়ননা তুরেল পরিংদা ইকো-ফ্রেন্দলি ওইবা ক্রিমেটোরিয়ম ৫৬ অমসুং টোইলেট কমপ্লেক্স ২০সু শেমগৎকনি হায়রি। সেন্টর ফোর সাইন্স এন্দ ইনভাইরনমেন্টকী রিপোর্ট মতুং ইন্না তুরেলগী ঈশিং মোৎশিল্লকপা অমসুং তুরেল মপান্দা লম খোপচিন্নরকপনা মরম ওইরগা ঈশিংগী শরুক চাদা ৯০ রোম অরেম্বদা শীজিন্নফম খঙদনা মাঙলি হায়বা ৱাফম লৈবনা নম্বুল তুরেল শেংদোক্নবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। অদুম ওইনমক কনাগুম্বনা নুমিদাং অথেঙ-অমম্বদা অমোৎ-অকায়শিং খোমদোক্লগা তুরেলদা লোন্না লংথোরকপা ঙমহন্দনবগী মতাংদা মতীক চাবা থৌরাং লৌখৎলকপা উদ্রি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু তুরেলনা মীওইবদা কান্নবা কয়ামরুম পীরিবা মরম্না লৈঙাক্নসু, মীয়াম্নসু ৱর্ল্ড রিভরস দেগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক মুন্না খঙমিন্নদুনা তুরেল পূম্নমক্কী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনফম থোকই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### লৈঙাক্কী স্কুলসু মীংচৎ লৈবা মহৈলোইশঙ ওইহল্লসি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

হায়নবা লৈ ইপা ইপুগী পাউরৌদা ঐনা তৌবনা ঐনা ফংবা, মানা তৌবনা মানা ফংবা হায়বসি মমৈথংদা অচুম্বা ওইরকই। অদুনা লাইরিক ঔরাইনীংবা মহৈরোয়না পরিক্ষা পাস তৌবা, মকোক ওইরকপা, মমা-মপাগী হোৎনজবগী মহয় ফংবা অসিনি। লাইরিক পানীংদবগীনা ফেল ওইরকপদা কনাদা তাইননি, মানা তৌবনা মানা ফংজবা নত্তনা। অদুগা মতমসিগী লাইরিক খুতমসিগা মতম অমগী লাইরিক মতম্বীগা য়াম্না খেন্নে হায়জনীংই। তাকপসু মান্নদবরা খল্লি। ফম্নবা বোরা পুনদুনা লাইরিক তম্বা চৎনবা মতমগী লাইরিক খুতাক, লাইরিক্তুসু পংয়াম য়াম্নদে। অদু ফাওবদা লাইরিক লৈবা ঙম্নদবা কয়াদি অৰৈবদগী ৱায়নদুনা, শিন্নদুনা পানরকই। হৌজিক মতমগী লাইরিক খুতম্বীসিনা পৈশানা য়োল্লগা তম্বনি। লাইরিক তাকপদসু তাক্লিবা পরাদু খঙদ্রিমখৈ হঞ্জিন হঞ্জিন ফানবা তম্বী। প্রাইভেট তম্বসু কয়া চৎনরমদে। খঙদ-খঙদ্রগা লৈকায়গী অখঙ-অহৈশিং মনাক্তা চৎতুনা তাকহল্লম্মী। মতমসিগী ওজাদি মখোয় মখোয়না অখঙবা খরা তাক্লগা ৱাখল তাদবনা ময়ূমদা তৌরকউ হায়দুনা মহৈরোয়দা হোম ৱর্ক ওইনা পীরকপগী হৈনবী অমসু লৈবরা খল্লি। অদুনা মহৈরোয়শিংসু পরাশিংদু খঙদ্রবনিনা খঙনবা প্রাইভেট তম্নরি। প্রাইভেট তম্বা ঙমজদ্রবা লায়রবা ইমুং অমদনা কয়াদা অৱাবগী মশক ওইনরিবা। অদুগা লৈঙাক্কী ওজানা থাগী লেংদ্রবা তোলোপ লৈবনা ওজাশিংনসু স্কুল কাবগী চাংসু নোংমা কা, নীনি লেপ তৌনীং তৌনীংবা মওংদা তোলোপ ঙাইবগুম তৌনরিবা/চীং-মান্দা পোষ্টিং তারবসু ৱাচৎ-ৱানোম তৌরিঙৈ ইশাগী ইথৌনি খঙদনা স্কুল চৎতবগী হৈনবীসু লৈতবা নত্তে। প্রাইভেটকী ওজাদি স্কুল কাবগী চাংসু ৱাংই, নোংমা কাদবদা নোংমগী ককফম থোকপা শেনফম অদু তোলোপ্তুগী ককপা, ফংলিবা তোলোপসু য়াম্বা নত্তে। লাইরিকসু মানা মানা লৌরিবা সবজেক্তুতু মমুৎ তানা খঙনবা তাকপী-তম্বী। পূম্নমক অসি ওজা, মহৈরোয় মশা-মশাদা লোইনা লৈরে খঞ্জে। লাইরিক হৈনীংবা মহৈরোয়না মানা হোৎনজমনগী মনা ফংবা, লাইরিক খোইজংদবা মহৈরোয়না মানা তৌরুবগী মহয় ফংজবা অসিনি। ওজাসু অদুমঙাই ফজনা তাকপীরে ফজবা মীংচৎ, থওইদরে খুতাক ফত্তে তম্লুনু অসিনি। অদুনা স্কুল ফহনগে ওজাদা লৈরে অদুগা ওজাদতসু তাইনবা য়াদ্রি। তমগদৌরিবা লোইশঙগী ফীভমসুনি। ওজা ফবা ফত্তবগী ৱাদা নত্তনা লৈঙাক্কী লোইশঙসু প্রাইভেট স্কুলদৌনা লূ-নান্না নিংথিজনা শেম্বী-শাবীদুনা মহৈ তম্বগী অচংবা পোৎলম খুদিংমক ৱাত্তনা থম্বীরবা, অৱাৎপা লৈরিবা ওজা মশীং শুনা হাপচিনবীরবা অদুগা হাপ্তা কাংদনা লৈঙাক মপুনা থম্মোয় শেংনা চিনখক্তা ঙাংবী-লাউবীবগী মহুত্তা থবক ওইনা চৎ-চৎতুনা য়েংশিনবীরবদি লৈঙাক্কী স্কুলসু মীংচৎ লৈবা মহৈলোইশঙ অমা ওইরক্কদ্রা হায়না খঞ্জে।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম, ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৪

১। ঐখোয়গী পুৱারীদা কাউবা য়াররোইদবা মীশকশিংগী মনুংদা নিরঞ্জন সুবেদারসু অমনি। মহাক মৈতৈ নত্তে, নেপালিনি, ছেত্রি শাগৈনি। মাবুসু সাহেবনা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিবনি।
(ক) মহাক ফাঁসি তৌখিবদু কুমজা ১৮৯১গী করি থাদনো?
(খ) মাবু পোকপা অপোকপগী মমিং করি কৌবগে?

২। "ফনা নুংশিবা কোকিলগী খোঞ্জেলসু ওইসনু। ... নূংনা শাবা থম্মোয়দা অরেম্বা ওইগনি।" ৱাফম অসি উপন্যাস, 'কালিমাই মমাঙদা লাইবক কৎপসু য়াওই, কত্তবসু য়াওই' হায়বা অদুদগীনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।

৩। "শেন্দাং মচা অমা/পাইথোক্লকই পাইবা ঙম্বোই ঙমদবোই লৌবুক্তা/খুনুং খরং অমনা তাপ লাকখি।" পরেং অহুম অসিনা, 'বসন্ত ওইগেরা, নাকেন্থা ওইগেরা' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। কবি অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "মচা পোকমিন্নরিবা মাগী নুপীবু হাৎকে হোৎনবা নুপা অমতা তাইবঙপানসিদা পোকহনবীরনু। মীগী নুপাবু ফাদুনা মৱা ওইবা ঙম্বী নুপীসু অমতা পোকহনবীরনু।" ৱাফম অসিমনা 'অহিংসিনা লোইদ্রিঙৈ' কৌবা উপন্যাস অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। "ঐগী নুংশি লম্বীদা/মাবু অমুক উররোই/মরক মরক মঙলান্দা/লাকপা নত্তনা লাক্লরোই।" পরেংশিং অসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

# তিলহৌ থাবা

**ডো. এম থোইথোই সিংহ**

তিলহৌ-চনম অসি লৌমীশিংগী য়াম্না মরুওইবা মরোই-মপাংশিংগী মনুংদা অমনি। হান্নদি অপিকপা ফৈদোম অমা-অনীদা লমদমসিগা চানজরক্লবা 'তিলহৌ মচা' খরা নত্তনা পংথা থানরমদে। অদুবু ঙসিদি পাকশন্না মখল কয়াগী তিলহৌ থানরক্লে। মালেম পূম্বগী ওইনা য়েংবদা ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী হেন্না তিলহৌ থাই। মিলিয়ন হেক্টর ০.৪৯গী লমদা তিলহৌ থানরি। পোথোক পুথোকপগী চাং য়েংলগনা অনীশুবা ওইদুনা মিলিয়ন টন ৪.৯ লোম পুথোক্লি। পাম্বী অমদা ক্বিন্টন ২৩৫ পুথোক্তুনা গুজরাটনা ইন্দিয়াগী মনুংদদি মাঙজিল থারি। ষ্টেট অসিগী ওইনা য়েংলগদি তিলহৌ থাদবগুম্বনি। ইন্দিয়াগী অতৈ মফমশিংদগী পুশিল্লকপদা নত্তনা ম্যান্মারদগীসু চাং ৱাংনা পুশিল্লক্লি। মায়কৈ অসোমদা য়াম্না পূক্নিং চংশিনবা মথৌ তারি। অমরোমদা এঙ্গাং-নাপি কয়াগী মরক্তা তিলহৌ-চনম থাজিনবনা লায়না তীলনা তাবা হন্থবগী অচৌবা মরম অমা ওইবনা তঙাইফদনা থানীংবা পোৎলম অমা ওইরক্লি।

তিলহৌ মখল : মণিপুরদা চানবা তিলহৌ মখলশিং 'মসিনি' হায়বা অমা লৈত্রগসু মতম মতমগী থানবা মরূ-মরাং য়োল্লিবা দুকানশিংদগী লৈরগা থানবা ঙাক্তনি। হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা তিলহৌবু মখল কয়া থোক্লা খাইদোক্লবসু মীয়াম্না পাম্নরিবসি অঙাংবা মখল (নাশিক রেদ) গুম্বা অসিনি। অসিগুম্বা মখলশিংনা লায়না তীলনা তাবা হন্থে। অঙৌবা অমসুং লায়না তীলনা তাগনবা তিলহৌদি লৌমীশিংনা পাম্নদে। নাপু মচুগী তিলহৌ অমসুং চবুন-চবুন ওইনা মরূ তাবা তিলহৌ মচা (মল্টি প্লায়র ওনিয়ন) শিংসু অঙাংবা অচৌবা তিলহৌশিংগা চাংদম্নবা য়াদে, পাম্নদে। মমিং পনবা য়াবা খরদি Prema, Agrifound dark red নি। মসিগী মথক্তা hybrid মখল কয়াসু থানরে।

অঙৈং-অশা : য়াম্না ঙন্না নৎত্রগা থেংনা হুনবা তিলহৌশিং মপাল ঙন্না শাগল্লি। ওক্টোবর অমসুং নবেম্বরগী অঙনবা মতমদা হুনবা তিলহৌশিংনা মপাল মরা তাবা হেল্লি। তিলহৌ মরূ তাদ্রিঙৈ (ঙল্লিঙৈ মতম), অঙৈং অশাগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ১৩দগী ২৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা তিলহৌ মরূ তাবা হৌরকপদনা অঙৈং-অশাগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ১৫.৫দগী ২১ ফাওবা লৈবা অমসুং নোংমদা পুং ১০ উরুম লাংদনা নুংশা ফংবা মফম্না হেন্না তিলহৌ মরূ তাই। পোথোক লৈ।

লৈবাক : ফোলি তাবা মফমনা হেন্না চানৈ। লৈঙোইনা নম্বা মফমশিং তিলহৌ থাবা নুংঙাইরবসু ঈশিং তোয়না পীবা তাই। লৈতান ওইবা মফমনা ঈশিং পীবগী চাং হন্থরবসু থাবা নুংঙাইতে। তিলহৌগী শাহৌদা অকায়বা লৈ, মরূশিংগী মওং কায়, শৈন্ত্রেনবা মরূ য়াম্না য়াওই। পোথোক হন্থে। অশিন-অয়াক্কী চাংদি শিল্লপ তৌবা মফমশিং হায়বদি pH ৫.৮দগী ৬.৫ ফাওবা লৈবনা মণিপুরগী অয়াম্বা মফমদা চানৈ। অদুমকপু তিলহৌনা pH ৫.৮দগী ৮ ফাওবা ফজনা হৌবা ঙম্মী।

হার : ষন্থি-ষণয়ুংগী নৎত্রগা নাপী-শিংবীগী মপূং ফানা পথুরবা হার ক্বিন্টল ৭৫, শঙম অমা চাউবা তিলহৌ থাফমদা হাপ্পীগনি। নৎত্রগসু মহুৎ লৈনবা য়াবা কম্পোষ্টশিং হাপকনি। য়ুরিয়া কিলোগ্রাম ৫৩দগী ৬০, শিঙ্গল সুপরফোস্ফেট কিলোগ্রাম ৮০দগী ১০০ অমসুং পোটাস কিলোগ্রাম ৩৫দগী ৫০ ফাওবা শঙম অমা পাক চাউবা তিলহৌ থাফমদা হায়বদি লিংথোকফমদা নৎত্রগা পাম্ফেল ওইনা তৌগদবা মফমদা হাপকনি। অদুমকপু তিলহৌবু পামফেল ওইনা হুনবা হায়বসিদা মাঙজবা য়াম্না লৈ অদুবু মণিপুরগী মফম খরদদি তৌবা য়াওনরি।

ষন্থি-ষণয়ুংগী নৎত্রগা নাপী-শিংবীগী মপূং ফানা পথুরবা হারশিং থম্ফম শেম্বা মতমদা হাপ্পীগনি। হাপকদবা য়ুরিয়াগী শরুক তঙ্খায় অমগা সুপরফোস্ফেট অমসুং পোটাসকী অপূনবা শরুক্তা পূন্না তিলহৌশিং লিংথোক্লমদাইদা হাপকনি। অরেম্বা য়ুরিয়াগী শরুক তঙ্খায়দুনা তিলহৌ পাম্বীশিং লিংখ্রবা মতুং চয়োল মঙা-তরুক লৈরগা চাইশিনবীগনি।



তিলহৌ থাফমদা হাপকদবা য়ুরিয়াগী চাং হায়বসিদা য়াম্না চেকশিনবা চংই। নাইট্রোজেন হেন্না ৱাংখ্রবা তিলহৌশিং লীবা নুংঙাইতে, মতোন থোক্কল্লি। নাইট্রোজেন ৱাৎলগনা ঙন্না মপাল শাগল্লি। ৱাৎপা-হেনবা অনীমক্তা অকায়বা লৈ। খ্বাইদগী হেন্না ফবদি লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোক্লগা হার হাপ্পসিনি।

মরূগী চাং : চারা ওইনা লিংথোকপদা শঙম অমগীদমক মরূ কিলোগ্রাম অনীদগী অনীমখায় ফাওবা চংই। পামফেল ওইনা হুনবগীদমক্তদি মরূ কিলোগ্রাম মঙাদগী কিলোগ্রাম তরুক্তা গ্রাম ২৫০ ফাওবা চংই। মরূ লৈবদা চংখিগদবা শেল অমসুং অকুং-অরলদা অকায়বা য়াম্না লৈবা মরম্না তিলহৌ লিংথোকপগী থবক্লা হেন্না কান্নে অমসুং পাম্লে।

চারা হুনফম : হিঙ্গোলগী খ্বাইদগী হেন্না ফবা মফমদা চারা হুনফম শেমগনি। য়াম্না পাকপা মফম অমদা চারা হুনফমনি হায়দুনা পুল্লপ শেমজিনবা, ইপাক পাক্লা থাবা ফত্তে। মিটর ০.৬তগী মিটর অমা ফাওবদং পাকপা অমসুং মিটর অহুম শাংবা মফমশিংদা শেম্বীগনি। চারা হুনফমগী ফৈদোম সেন্টিমিটর ১৫ হায়বদি ইঞ্চি তরুক্তগী তাদনা চিংখৎকনি। মথৌ তাবগী মতুংইন্না মিটর অমা পাকপা, অহুম শাংবা, সেন্টিমিটর ১৫ ৱাংনা ফৈদোম চিংখৎলবা চারা হুনফম মশীং লেপথোক্কনি। শঙম অমা চাউবা তিলহৌ থাফম অমগীদমক অসিগুম্বা চারা হুনফম ১০দগী ১২ ফাওবগী মথৌ তাই। চারা হুনফম অমদা (১x৩x০.১৫) ষন্থি-ষণয়ুং নৎত্রগা নাপী-শিংবী পথু-পুমথরবা হার কিলোগ্রাম ১৫-২০ ফাওবা হাপহৌগনি। মরূদা হিদাক তোৎলকখ্রবা ওইরবদি অমুক তোৎত্রবসু য়ারে। তোৎলকত্রিবা ওইরগদি Trichoderma গ্রাম ১০ মরূ কিলোগ্রাম খুদিংদা তোৎহৌগনি।

লিংথোকপা : চয়োল তরুক-তরেৎ শুরবা চারাশিং লিংথোক্লবা শেম শাবা য়ারে। ফোয়বা য়াররক্লবা চারাশিংদা ঈশিং পীবগী চাং হন্থরক্কনি। অদুবু চারাশিং ফোয়বা নুংঙাইনবা ফোয়গদবা পুং মরি-মঙা ৱাৎলিঙৈদা ঈশিং পীগনি।

লিংথোক্লমদাইদা Carbendazim 50% গ্রাম অনী ঈশিং লিটর খুদিংদা তুমহনবীরগা কাপথোক্কনি। মসিনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপদা লায়হল্লি। পরেংগা পরেংগা সেন্টিমিটর ১৫ (ইঞ্চি তরুক) অমসুং পাম্বীগা পাম্বীগা সেন্টিমিটর ৭.৫ (ইঞ্চি অহুম) থাপ্পনা লিংথোক্কনি। চয়োল অমা ফাওবগী মনুংদা শিখিবা পাম্বীশিং অনৌবা চারাশিং শীজিন্নগনি।

পোথোক ৱাংনা পুথোক্লবগীদমক নৌরিবা চারাশিংদগী হৌনা য়াম্না চেকশিনবা চংই। ●

# ওর্গানিক ফার্মিং মায় পাক্লনবা পাম্বৈশিং

**এস সুমঙ্গল**

ওর্গানিক ফার্মিং মায় পাকহনগে হায়রবদি পাঙথোক্তবা য়াদবা থৌরম খরা য়াম্না মমুৎ তানা মনুং থিৎনা খঙবগা লোয়ননা মায়পুননা হোৎনবা অমা তঙাইফদনা মথৌ তাই হায়না থমজনীংই। মরমদি ওর্গানিক ফার্মিং মায় পাকনা পায়খৎপা মতমদা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মতিক চানা ফংহন্নবা হোৎনবদা খূৎশেমগী হারগী মহুৎতা মহৌশাগী ওইবা হার হায়বদি ষন্থি ষণয়ুংগী, য়েন্থিগী, মনা-মশিং পথু-পুমথহল্লগা শেম্বা হার, তিন্থোক্কী অমদি ওকথিনচিংবগী হার শীজিন্নবা তঙাইফদে। নৎত্রবদি পাম্বী মশা মউ ফহনবা হায়বসি ওইথোক্তে। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি লৈদুনা শীজিন্নবা মতমদা কৈদৌনুংদা, শেন্দোং ফংবা ওইথোক্লোই। শম্না হায়রবদা অচঙবা পোৎলম খুদিংমক লৌফমদুমক্তগী ফংহল্লু হায়বনি।

হায়রিবা পান্দম অসি হায়বদি য়ামখ্রবা মচাকশিং অসি ফংনবা হোৎনবদা পুনশিন কাঙলোনগী লৌউ পথাপ (ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং) নত্তনা অতৈ পাম্বৈ লৈতে। পুনশিন কাঙলোন হায়বসিদা পুনশিনবা য়াবা মচাক পায়খৎপা য়াবা থৌরম খরা থমজবা তারগদি - তোঙান তোঙানবা মনা-মশিং, মহৈ-মরোং, মখল মখা কয়াদা শীজিন্নবা য়াবা পাম্বীশিং থাবা, ত্রেপ ক্রোপ, গ্রীন মেন্যুওর পাম্বী থাবা নৎত্রগা মনা-মশিং খোমদুনা গ্রীন মেন্যুওরিং তৌবা, শা-ষণ, য়েন-ঙানু, ওক, ঙা, উহৈ পাম্বী, চেঙ্গুম, হয়িংখোই অসিনচিংবা য়োকপা-লোয়বা লোয়ননা মখোয়গী মথি-ময়ুং লেমহৌখাকশিং কম্পোষ্টিং তৌবা, থারিবা পাম্বীশিংগী লেমহৌখাকশিং হার ওন্থোকপা, বাইও ফর্টিলাইজর শীজিন্নবা, অওন পোথা (ক্রোপ রোটেসন) তৌবা, পাম্বীশিং কাঙলোন চুম্না পরেং নাইনা নৎত্রগা য়ানশিন্নদুনা থাবা, ফার্মগী অকোয়বদা (বোর্দর ক্রোপ) থাবা, লায়না তীলনা ঙাকথোক্লবা থোরক্লিবা বাইও কন্ট্রোল এজেন্টশিং শীজিন্নবা হায়রিবা পূম্নমকশিং অসিদগী লমদমদুগা চানবা পুনশিনবা য়াবশিং পূন্না পায়খৎমিন্নবা অসিনা ওর্গানিক ফার্মিংগী অশেংবা পান্দম অদু য়ৌবা ঙমগনি। অসুম্না পায়খৎলিবা থবক থৌরম (এন্টরপ্রাইজ) খুদম ওইনা ঙা য়োকপা, ওক লোয়বা, মনা-মশিং থাবা, উহৈ থাবা পূম্নমকশিং অসি অমনা অমগী মহুৎ শিনবা নৎত্রগা অমনা অমগী মতেং পাংনবা থৌরম ওইহনগদবনি। খুদম মচা অমা ওইনা চেঙ্গুম থাবদা শীজিন্নরিবা পোৎলম চরূ নৎত্রগা অতৈ মচাকশিং অদু শীজিন্নবা লোয়রবা মতুংদা হার নৎত্রগা তিন্থোক্কী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নদুনা মথং-মথং কান্নবা লৌবা য়ারে। ফৌ থাদুনা মদুদগী ফংলকপা চরূনা শা-ষণ অমদি ঙাগী মচিঞ্জাক পীবগা লোয়ননা চেঙ্গুম থাবা য়ারে, ষণগী মথি-ময়ুংসু অদুমক ফংলে। মখল মথেল কয়াদা শীজিন্নবা য়াবা পাম্বী থাবা। খুদম ওইনা সাজনা (দ্রমষ্টিক) পনবা য়াই। মখোয়সি এঙ্গাং ওইনা, হীদাক ওইনা, শীং ওইনা গ্রীন মেন্যুওর পাম্বী ওইনা অদুমক শীজিন্নবা য়াই।




কনভর্সন : লৌফম অমা হান্নদা ওর্গানিক ওইরমদবা অদু ওর্গানিক ওইহন্নবা হোৎনবদা লৌফমদুগী হান্নগী ওইরল্লিবা ফীভমগী মতুংইন্না য়ামদ্রবদা চহী ৩দি চংই। পাম্বী অমা থাবদা পাম্বীদুনা লৈবাক্তগী চুপখৎলিবসি মাগী মচিঞ্জাক্তা নত্তনা অতোপ্পা হূ চেল্লবা মচাক কয়া অমসু চুপখৎলি। মরুওইনা গাজর পাম্বী থাবনা হূ চেল্লবা পোৎলম কয়া অমা লৈবাক লৈহাওদুদগী চুপখৎতুনা লৌথোকখি। মতমসি ঐখোয়না হু চেল্লি খন্নরিবা খূৎশেমগী হার, তিলহাৎ হীদাকশিং শীজিন্নদবা তারে। অতোপ্পা লৌফমদগী হূ চেনবা ঈশিং চঙদনবা হোৎনবা তারে। অসুম্না চহী ৩ থংনা থংননা চহী অমদা য়ামদ্রবদা পাম্বী ৩ লক থাদুনা লোকপা মতমদা চহী ৩দদি মরোল মরোল পাম্বী ৯ লক্তি থারগনি। মতমদুদা হূ কয়া অমদি মাঙখ্রগনি। মসিবুনি কনভর্সন হায়রিবসি।

পাম্বীগী মচিঞ্জাক : চাথোক হন্থদনবা পাম্বৈদি মথক্তা থমজখ্রবা পোৎলমশিং ষন্থিগী হার, মনা-মশিংগী হার, বাইও ফর্টিলাইজরনচিংবা শীজিন্নবা তারে। মরক্তা গ্রীন মেন্যুওরিংসু তৌবিবা তারে। লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বীদগী শুংবা হীদাক, বাইওগী ওইবা খুদম ওইনা ত্রাইকোদরমা, স্যুদোমোনাসনচিংবা শীজিন্নবা তারে, কৈথেলদা অদুমক লায়না ফংলে। ঐখোয়গী লমদমদা ঐখোয়গী লৈবাক লৈহাওগী ফংবা লমদমসিগা চানরবা মখলশিং ওইনসু ফংলে।

অওন পোথা : অওন পোথা তৌবনা কান্নবা কয়া অমা পী। ফার্ম অমদা মফম খরা থোকনা খায়দোক্তুনা মখল কয়াগী পাম্বীশিং মফম মান্নদনা ওন-ওন্দুনা থাবনা মফম (ফার্ম) অমত্তদগী তোঙান তোঙানবা পোথোক ফংহল্লি। লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ওইহল্লি। মরক্তা খায়দোক্লিবা মফম খুদিংমক্তা হৱাই পাম্বী য়াওহনবনা লৈবাক লৈহাও হেনগৎহল্লি।

থাবা য়াবা মহৈ-মরোংশিং : পাম্বী খুদিংমক থাবা য়াই অদুবু ঐখোয়না হৌজিক্কী ওইনা খনগদবদি মমল কাগদবা মীনা খরা হেন্না পাম্বা কৈথেলদা পোৎশিং হেনগদবা পোথোক ওইনা থাবনা মায় পাকপা ওইগনি। খুদম ওইনা চাকহাও, উ মোরোক, শীং-য়াইঙং, মপানগী কৈথেলদা পামগদবা কিহোম, অতৈ উহৈদা কোল্লা চমপ্রা অসিনচিংবা পনবা য়াই। মতম অমদদি ওর্গানিক্কী কৈথেলনা চাউনা লৈরক্লবদি পোৎলম খুদিংমকসু পুথোকপদা মায় পাক্লকপসু য়াই। মরু ওইরিবদি তুংগী মীরোলগী খনবা অদুনি। অহানবা হৌদোকপা মতমদদি মথিবোং লাওই খন্নরিবা চুজাক, আলু, হায়ব্রিদশিং থাবদা পূক্নিং থৌগত্তে। লমদমদুদা মহৌশাদগী লৈজরম্লবা পাম্বী মখলশিংদা হেন্না পূক্নিং থৌগৎলি।

মরুওইনা থমজনীংলিবদি ওর্গানিক সার্টিফিকেসন তৌবদা শেল চঙবা, অহানবা হৌদোকপদা চাথোক হন্থগনি হায়বগী অকিবা পোকপা অসিনচিংবা খরা মখৈদি লৈরি। মসিদি থোইদোকনা কিনিংঙাইদি ওইদে। মায় পাকনা ওর্গানিক ফার্মিং তৌবা ইচিন ইনাওশিং কয়া অমা লৈতবা নত্তে। তৌবতবু ইশামক ওর্গানিক্কী ৱাখল্লোন চেনবা, তঙাইফদবা মচাকশিং ইশাগী লৌফমদা ফংনবা হোৎনবা নৎত্রগা লৌকোন পূন্না পায়খৎমিন্নবা, শা-ষণ লোয়খৎপা, কম্পোষ্টিং তৌবদা পূক্নিং চঙনা হোৎনবা ৱাখল থাধদুনা পোরম নিংথিনা য়াথোক্তুনা থবক পায়খৎপা ঙম্নবা হোৎনরবদি অকিবা খুদিংমক নমথৎতুনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়বসিনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহৈবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।